# মণিপুর ষ্টেটকী ওইবা স্পোর্টস পোলিসি অমা হৌজিক্তি থম্বা মতম ওইরে




রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
মণিপুর স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা

(হান্নগী মখা...)

মণিপুর মচাশিং অসি কয়া য়াম্না স্পোর্টসতা মশক থোক্না লৈরবগে হায়বসি মপান্দা চোইনা লৈখ্রবা শান্নরোয়শিং অসি পুল্লপ পূনশিন্দুনা য়েংবা মতমদা হেন্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। স্পোর্টস দিসিপ্লিন খরদদি ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্টরনেসনল থাক্তা ষ্টেটশিংগী শান্নরোয়শিংনা মপুং ওইনা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নবসু য়াওরি। অদুনদি শান্নবা অসিসু করম করম্বা মশান্নশিং মণিপুর মচাগা চান্নবগে হায়বসি মশক খঙদোক্লগা মদুগুম্বদুদনা হেন্না পূক্নিং ৱাখল থাদদুনা হোৎনবসু চুমগনি।

অদুগা, শান্নরোয় শেমগৎপা মতমদসু গ্রাসরুটতগী মখোঙ শেংনা শেন্বীখ্রবদি য়ৌহন্নীংলিবা পান্দমদু শোয়দনা য়ৌবা ঙমগনি। তৌবতদি থবক অমা তৌবা হায়বসি কাঙলোন চুম্না তৌফম থোকপা মথৌ তাবশিংগা লোয়ননা নিংথিনা তৌরবদি মহয় শোয়দনা চাগনি। শেংনা চুম্না তৌখি হায়বসিদি থবক্না উৎলক্কদবা মরৈরে। অফবা শান্নরোয় অমা শেমগৎলকপা হায়রিবসি অফবা মতিক ময়াই লৈবা পান্বী অমা থাবগা চপ মান্নে।

মতম চানা ঈশিং চাইবীবা তাবনি। হার হাপ্পীবা, কৃপ্না য়েংশিনবীবা হায়বসিসু য়াওদবা য়ারোই। অসুম্না চেকশিন্না হোৎনবিবা মতমদা মদুগী রিজল্ট ঐখোয়না অদুম উগনি। অদুনা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং অসি অমুক্তংদি পূনশিল্লগা লমদমসিগী লৈবাক লৈহাওসিদা মনীং তম্না প্রেক্টিশ তৌহল্লগা, কোচিং পীহল্লগা, মালেমগী অচৌবা শান্নবুংগী ফম্বাক্তা চাংয়েংনহনসি। হান্নদগী লৈরবা ৱর্ল্ড ষ্টেন্দর্দগী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসিসু হৌজিক মতমগা চান্নরিব্রা হায়বসিসু কূপ্না য়েংশিনবীবা মথৌ তাই।

য়াঙনা চেল্লিবা স্পোর্টসকী ওইবা খোঙজেলসিদা ঐখোয়গী স্পোর্টস ত্রেনিং সেন্তরশিং অসিসু খরা তোয়না চেক তৌবিবা চুম্মী। মরমদি শান্নবা হায়বসিসু খূৎলায়গী মপান তাংবা গেম মখল কয়া অমসু লৈবনিনা পংশান্দা শান্নরগসু হেক্তা ওইগদবা নত্তে। অদুনদি তুং কোয়না নীংথিনা চৎনগদবা খল্লগা থবক খুদিংমক মতম চানা তৌবা তাবনি। শান্নরোয়শিংগীদমক্তি তৌবা য়াবশিং তৌবিগদবনি।

অমরোমদা, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইনা হান্নদগী লৈজরকপা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিংদা চাদা মঙাগী কোটা থম্বা হায়বসি হৌজিকসু মখা তানা থবক ওইনা চথুরকপদা মাঙজগদবা করিসু লৈতে। থবক হেক কৌরকপা খুদিংগী খরা খরা য়াওহনখিবদা, অফবা শান্নরোয় খরদি হিংনবগী উপাই লৈবগা ইরোয়ননা স্পোর্টসতসু হেন্না মশক থোরক্কনি। শুপ্পতংগী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টখক্তদা চাদা ৫০ হেন্না থবক পংহাপ্তা হাপচিনবা অসিসু থোইনা ৱাহন্থোক লৈতে। মসিনা শান্নরোয় য়োকখৎপরা হায়ববু হেন্না মাঙজবসু লৈ। নেসনল গেমসতা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ময়াম অমা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা থবক হাপচিনখিবা অসিসু মতমসিগা চান্নবা থৌরাং খরা তৌবীবা ফরে। মখোয়বু পি ঈ টি ওইনা হাপচিনখিবসিদা মরিং-মরাংনা থোকপা কয়াসু উবা ফংই। স্পোর্টস এরেনাখক্তদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা গোল্ড মেদল লৌরকপা প্লেয়র অমদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী টিচর ওইনা থবক পীবসিদা মখোয়না তাকপী তন্বীরুগদৌরিবসি করিনো হায়বা ৱাহং কয়া লাকই। অসিগুম্বা থৌওংসিদি শান্নরোয়শিংদুগী মগুণ হন্থহনবগুম থোক্কনি। অদুনদি গভর্ণমেন্টকী পোলিসি প্রোগ্রাম অসিসু তুংদা করি লাক্কদগে খন্থদনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা লাউথোকখিবা ওইরগদি খরসু চেঞ্জ তৌবা অদুননি, স্পোর্টস পোলিসি অমা মতমসিগা চান্নবা শেন্বীয়ু হায়জরিবসি।

মণিপুর স্পোর্টসকী পুৱারী অসিসু ষ্টেপ ফনা য়াম্না চঙশিল্লক্লে হায়বা য়ারে। লমদমসিদগী ওলেম্পিয়ন ১৭ থোকখ্রে। ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙম্বা শান্নরোয়সু লৈরে। হোকি, জুদো, বোক্সিং, ৱেটলিফটিং, আর্চরি শুপ্পগী মশান্না মঙাসিদনি মণিপুর মচানা মালেমদা মশক থোক্না শান্নবা ঙল্লিবসি।

অদুগা হৌজিক পি ঈ টি ওইনা হাপচিল্লিবা মেরিটোরিয়স স্পোর্টস পার্সন ময়ামসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা করম হায়না শীজিন্নরিবগে হায়বসিসু হংনীংঙাই ওইবা ৱাহং ওইরি। ঐখোয়গী অফবা মগুণ চেনবা শান্নরোয়শিং অসি মফম চাবদা শীজিন্নবা ঙমদ্রগদি মদুগী মাঙজবা কয়া লাক্কনি। পোলিসি প্রোগ্রাম অমত্তা তৌদ্রগদি মণিপুরগী স্পোর্টস তপ্পা তপ্পা মনীং হল্লক্কনি। মসিদসু ৱাখল খরদু থাদবা চুমগনি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৯

১) চুড়াচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা টিমদা পীরিবা অচৌবা সিল্ড অদুগী ময়ায়দা টুলা মঙাগী সনা মপাক অমা হাপ্পী। সনা অদু কনানা কৎপনো?

২) মহাক্কী মপুবোক ওলেম্পিক্কী সেলিংদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাকসু সেলিংদা ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী অপোকপা, অপোকপী অমদি মখুরানা শেম্বা টিম অমনা সেলিং টিমগী থৌরম অমদা ওলেম্পিক্তা অনীশুবা মনা ফংখি। মহাক্কী মচানুপা অমসুং মচানুপী ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা শরুক য়াই। মহাক কনানো?

৩) অফ্রিকা ষ্টার হায়না খঙনবা মনা (টকমান) অদু ফংখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাভারতকী মতুং ইন্না মখাদা পীরিবশিং অসি রেষ্টলিংদা খ্বাইদগী হৈবা নুপাশিংনি

(১) কিচক (২) ভিম (৩) দৃষ্ট্রারাষ্ট্রা (৪) জরাশনধা (৫) ভিরাট নিংথৌ (৬) কর্ণ মখোয়গী মরক্তা থোইদোক হেন্দোক্লা রেষ্টলিংদা হৈথোই শিংথোইদবা অমা য়াওরি। মহাক অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়ু। মহাক করম্বা মশান্নদা স্কুলগী চেম্পিয়ন ওইখি।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০ নিংথৌকাবা, নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মৈরা এফ সীনা মমা এফ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (ঐচএনএস) : ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা স্পোন্সর তৌরগা বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেসন য়াইরিপোক (বি ৱাই এফ ৱাই) না শিন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা য়াইরিপোক ত্রোফি ২০১৮ সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মৈরা এফ সীনা মমা এফ সী মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অংথা এফ সী অমসুং ৱাই দি এ তেন্থা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা বি ৱাই এফৱাইগী গ্রাউন্দা পাঙথোক্লিবা অহানবা য়াইরিপোক ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৬শুবা মেচ ওইনা মমা এফ সী অমসুং মৈরা এফ সী শান্নখি। মেচ অদু মৈরা এফ সীনা মমা এফ সীবু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। মৈরা এফ সীগী গোল ৩ অদু মোধুমঙ্গলনা চনখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেচতনা অংথা এফ সী অমসুং ৱাই দি এ তেন্থা শান্নখি। মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। অংথা এফ সীগী গোল অদুনা সুরজ অমসুং ৱাই দি এগী গোল অদুনা জোনসন্না চনখি।

---

৮শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

## এস দি সী শমুরৌনা বি বি সী-এ, বাখে ভি সীনা জিরি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (ঐচএনএস) : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৮শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল সুপর লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এস দি সী শমুরৌনা বি বি সী-এ, বাখে ভি সীনা জিরি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২না শরুক য়ারগা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট২০১৮গী ২৪শুবা মেচ ওইনা সেমী ফাইনেল সুপর লীগ রাউন্দদা এস দি সী শমুরৌ অমসুং বি বি সী-এ বিদ্যানগর শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। সেমী ফাইনেল সুপর লীগকী মেচ অদু বি বি সী-এ বিদ্যানগরনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এস দি সী শমুরৌনা সার্ভিস হান্না তৌখি। টিম অনীমক্না ফজনা শান্নখিবা মেচ অদুদা এস দি সী শমুরৌনা বি বি সী-এ বিদ্যানগরবু ৩-১ (২১-২৫, ২৫-১৬, ২৬-২৪, ২৫-১৯) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৫শুবা মেচ ওইনা সেমী ফাইনেল সুপর লীগ রাউন্দগী অতোপ্পা মেচ অমদা বাখে ভি সী সনাকৈথেল অমসুং জিরি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস টিম শান্নখি। মেচ অদু জিরি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস টিম্না মায়কৈ খনখি। অদুগা বাখে সনা কৈথেলনা সার্ভিস হান্না তৌখি। টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখিবা মেচ অদু বাখে ভি সী সনাকৈথেলনা জিরি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসপু ৩-১ (২৫-২৩, ২৩-২৫, ২৫-২০, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা সেমী ফাইনেল সুপর লীগ রাউন্দগী মেচশিং হৌদোকপগী থৌরমদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, জিরিবামগী দি সী রোবার্ট ক্ষেত্রিময়ূম অমদি জিরিবামগী এস পি এ মুবিনা গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা কাপম কপ ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## টেলেন য়ুনাইটেদনা জিওনথলাং এফ সী অমসুং উনাপাল এফ সীনা পালেল এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (ঐচ এনএস) : কাপম দিভলপমেন্ট ক্লব চান্দেলনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অনীশুবা কাপম কপ ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা টেলেন য়ুনাইটেদনা জিওনথলাং এফ সী অমসুং উনাপাল এফ সীনা পালেল এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্লগা পাঙথোকপা অনীশুবা কাপম কপ ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসিগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী জিওনথলাং এফ সী অমসুং টেলেন য়ুনাইটেদ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ৯শুবা মিনিটতা টেলেন য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ৭ পাওলেনলালনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। জিওনথলাং এফ সীগী মায়কৈদগীসু টেলেন য়ুনাইটেদনা অঙনবা মতমদা মাঙজিল থাদুনা চৎখিবা গোল অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চথুরকখি। অদুবু জিওনথলাং এফ সীগী এটেকশিং অদু টেলেন য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নরকখি। মেচকী ২২শুবা মিনিটতা টেলেন য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ২১ থাংটিনলেন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। থাংটিনলেন্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু টেলেন য়ুনাইটেদনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইবা মীকুপ ফাওবদা জিওনথলাং এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা টেলেন য়ুনাইটেদকী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা টেলেন য়ুনাইটেদনা গোল ২-০দা মাঙজিল থানা চৎখি।



অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী জিওনথলাং এফ সীগী মায়কৈদগী টেলেন য়ুনাইটেদকী গোল অনী অদু হন্দোক্নবা অকনবা এটেক কয়া চথুরকখি। অদুবু এটেকশিং অদু টেলেন য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা অঙম্বা শক্তি পুথোক্তুনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ৪৯শুবা মিনিটতা টেলেন য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ২৭ দেনিএলনা ওন গোল অমা চনখি। দেনিএলনা ওন গোল চনখিবদগী জিওনথলাং এফ সী অমসুং টেলেন য়ুনাইটেদ গোল ১-২দা লৈখি। মেচকী ৬৬শুবা মিনিটতা জিওনথলাং এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ এম মালরেংনা গোল অমা চল্লগা টেলেন য়ুনাইটেদকী অনীশুবা গোল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু গোল ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখিবগী মিনিট ৩ কান্নরগা মেচকী ৬৯শুবা মিনিটতা টেলেন য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ১১ পেত্রিক্না গোল অমা চল্লগা মহাক্কী টিম্না অমুক হন্না মাঙজিল থাহল্লকখি। টেলেন য়ুনাইটেদকী অহুমশুবা গোল অদুসু হন্দোক্নবা মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা জিওনথলাং এফ সীনা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা জিওনথলাং এফ সী মায়থীহৌখি। অদুগা টেলেন য়ুনাইটেদনা গোল ৩-২দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা নুংথিল পুং ৩ তাবদগী উনাপাল এফ সী অমসুং পলেল এফ সী শান্নখি। মেচ অদু উনাপাল এফ সীনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফ হেক হৌরকপগী ৬শুবা মিনিটতা উনাপাল এফ সীগী জর্সি নম্বর ৩ লানমিংথাংনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক পলেল এফ সীগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পলেল এফ সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবনা উনাপাল এফ সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফতগী হৌনা গোল অমা মাঙজিল থারক্লগা উনাপাল এফ সীনা অনীশুবা হাফতসু অকনবা এটেক চথুরগা অহেনবা গোল চন্নবা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৬৬শুবা মিনিটতা উনাপাল এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ দালুন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। দালুন্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু উনাপাল এফ সীনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিল্লকখিবা অদু হেন্না নকশিলহনখি। উনাপাল এফ সীনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্কবগীদমক পলেল এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা চোকথবা নাইদনা কন্না শান্নরকখি। উনাপাল এফ সীনসু নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা পলেল এফ সী মায়থীহৌখি। অদুগা উনাপাল এফ সীনা মেচ অদু গোল ২-০দা মায় পাকখি।

---

৩শুবা কংলা কপ সিক্স এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## নাইন সাইনিং ষ্টার অমসুং এস এস ৱাই সী সাইরেম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (ঐচএনএস) : দেদিকেটেদ য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (দি ৱাই দি ও) অমসুং কংলা সিফাই য়ুথ ওর্গেনাইজেসন (কে এস ৱাই ও) গা খূৎশম্নরগা শিন্দুনা কংলা সিফাই ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা কংলা কপ সিক্স এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা নাইন সাইনিং ষ্টার অমসুং এস এস ৱাই সী সাইরেম মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৮না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৬ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা কংলা কপ সিক্স এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী মেচ ওইনা তখেল এফ সী-বি অমসুং নাইন সাইনিং ষ্টার (এন এস এস) শান্নখি। মেচ অদু নাইন সাইনিং ষ্টারনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফ হেক হৌরকপগী ৪শুবা মিনিটতা তখেল এফ সী-বিগী জর্সি নম্বর ১৯ অবুংঙোম্বানা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। অদুবু হেক থংনবা মিনিটতা মিনিটতা নাইন সাইনিং ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৮ বিশেশ্বরনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মিনিট ৩ কান্নরগা মেচকী ৮শুবা মিনিটতা বিশেশ্বরনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু নাইন সাইনিং ষ্টারনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ১৯শুবা মিনিটতা নাইন সাইনিং ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১৫ রুপনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা নাইন সাইনিং ষ্টারনা গোল ৩-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।



অহানবা হাফতগী হৌনা গোল অনী মাঙজিল থারক্লবা নাইন সাইনিং ষ্টারনা অহুমশুবা হাফতসু অহেনবা গোল চন্নবা এটেক কয়া চথুখি। মেচকী ২৯শুবা মিনিটতা নাইন সাইনিং ষ্টারগী জর্সি নম্বর ২ রতন্না মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনখি। অদুগা মেচকী ৩৩শুবা মিনিটতনা নাইন সাইনিং ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৫ ইতোম্বনা মহাক্কী টিমগী মঙাশুবা গোল চনখি। নাইন সাইনিং ষ্টারনা মাঙজিল থারিবা গোল ৪ অদু হন্দোকপা ঙমদনা তখেল এফ সী-বি মায়থীহৌখি। অদুগা নাইন সাইনিং ষ্টারনা মেচ অদু গোল ৫-১দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা হুইদ্রোম এফ সী অমসুং এস এস ৱাই সী সাইরেম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মেচকী ১৯শুবা মিনিটতা এস এস ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৮ মঙলেম্না গোল অমা চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। এস এস ৱাই সীগী গোল অদু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা হুইদ্রোম এফ সী মায়থীহৌখি। মঙলেম্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু এস এস ৱাই সীনা গোল ১-০দা মায় পাকখি।

বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

## সাইনা নেহৱাল, কিদম্বী শ্রীকান্থ অমসুং পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে

ৱুহান, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) : চাইনাগী ৱুহান স্পোর্টস সেন্তরদা পাঙথোক্লিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা মায় পাক্লদুনা ইন্দিয়াগী ষ্টার সট্টলর সাইনা নেহৱাল, কিদম্বী শ্রীকান্থ অমসুং পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লোইশিনখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসতা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখ্রবা ইন্দিয়াগী ষ্টার সট্টলরশিং অসিনা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপ অসিদসু মায় পাকপগী কেম্প্যেন চথুবা হৌখ্রে।

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখিবা সাইনা নেহৱালনা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা সিঙ্গাপুরগী য়িজো জিয়া মিনগা শান্নখি। মেচ অদুদা সাইনানা জিয়ো জিয়া মিনবু ২১-১২, ২১-৯ দা মায়থীবা পীরগা অনীশুবা রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসতা শিলভর লৌখিবা পি ভি সিন্ধুনা অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী পা য়ু পোগা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা শান্নখিবনি। মেচ অদু সিন্ধুনা লাকচরপ তৌনা শান্নখিবগা লোয়ননা পা য়ু পোবু ২১-১৪, ২১-১৯দা মায়থীবা পীখিবনি।




ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সাইনা নেহৱালনা চাইনাগী গাও ফাংজিগা থেঙ্গাইনরগনি। অদুগা ওলেম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী শিলভর মেদলিষ্টসু ওইরিবা অহুমশুবা সীদতা লৈরিবী সিন্ধুনা চাইনিজকী চেন জিয়াও জিনগা থেঙ্গাইনরগনি।

বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী মেন্স সিঙ্গলসকী ওইনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা টোপ সীদ অমসুং কম্মনৱেলথ গেমসকী শিলভর মেদলিষ্ট কিদম্বী শ্রীকান্থনা অহানবা রাউন্দদা জপানগী কেন্তা নিসিমোটোগা শান্নখি। মেচ অদুদা কিদম্বী শ্রীকান্থনা কেন্টা নিসিমোটোবু ১৩-২১, ২১-১৬, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখিবনি। অনীশুবা রাউন্দদা শ্রীকান্থনা হোং কোংগী ৱোং ৱিং কিবিসেনগা থেঙ্গাইনরগনি। ইন্দিয়াগী বি সাই প্রানিথনা থাইলেন্দগী সুপানয়ু অবিহিন সানোবু ২১-১৩, ১১-১২, ২১-১৯দা মায়থীবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে। অদুগা ঐচ এস প্রান্নোয়না থাইগী কান টাফোন ৱাংচারিওনবু ২১-১৫, ১৯-২১, ২১-১৯দা মায়থীবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।